# য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ফেব্রুৱারি ২৪দা ইন্দিয়াদা থুংলরগনি



***ন্যু দিল্লি /ৱাসিংটন, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

যু এসকী হৌষ্টনদা পাংথোকপা অচৌবা 'হৌদি, মোদি' থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা পুন্না শরুক য়াম্নিন্নখ্রবা থা ৫ রোমগী মতুংদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মথঙ চয়োলদা ইন্দিয়াদা মহাক্কী অহানবা ষ্টেট ভিজিট লাক্কদৌরি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ফার্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ট্রম্পকা লোয়ননা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমগীদমক ফেব্রুৱারি ২৪দা ইন্দিয়াদা থুংলরগনি। মহাক্না ন্যু দিল্লি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ময়ুম ষ্টেট গুজরাততা লৈরিবা অমসুং ইন্দিয়াগী নিংতম খোঙজংদা মহাত্মা গান্ধীগী পুন্সি অমসুং লিদরসিপতা মরুওইবা শক্লোন অমা লৌখিবা আহমেদাবাদতা চৎকনি হায়না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা হ্বাইট হাউসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

চয়োল লোয়বা নুমিৎতা ফোন কোল অমদা প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খোঙচৎ অদুনা যু এস –ইন্দিয়া ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ কনখৎহল্লগনি অমসুং অমেরিকান মীয়ামগা ইন্দিয়ান মীয়ামগগী মরক্তা অচেৎপা তুং কোয়বা মরী উৎলগনি হায়বা য়ানখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইন্দিয়ান সোসাইটিগী তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী কাংলূপ কয়াদা ৱারী–ৱাতাই শানগনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অসিদা ২০১৮দগী হৌনা মরী ফৎনদবদগী পন্দুনা লৈরকপা ট্রেদ দিল অমা লৈবাক অনীসিনা সহি তৌনগনি আশা তৌই।

ট্রম্পকী খোঙচৎ অসিদা উত্তর প্রদেশকী আগ্রাদসু চৎলবা য়াই। মফম অদুদা লৈরিবা, মালেমগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা নিংশিং খুবমশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা তাজমহল অদু য়েংলবা য়াই।

ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহীগী জনুৱারি ২৬ রিপব্লিক ডে পেরেদ অদুগীদমক প্রসিদেন্ট ট্রম্পপু বার্তন তৌখি অদুবু মদু থবক ওইখিদ্রে।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা হৌষ্টনগী এন আর জি ষ্টেদিয়মদা অচৌবা 'হৌদি, মোদি' থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান–অমেরিকান ৫০,০০০ হেন্না শরুক য়াখি। থৌরম অদুবু মপান লৈবাক্কী মীখলদা খনবা লুচিংবা অমনা যু এসকী লৈমাইদা লাকপগীদমক হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মী তিনবনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা হায়খি।

ইন্দিয়ান–অমেরিকানশিং অসি প্রসিদেন্ট ট্রম্পকীদমক ভোটর ওইরবা য়ারিবশিংনি।

---

# চিনাদা কোরোনাভাইরস লাইচৎতা শিবা ১,০০০ হেনখ্রে, মাস্ক উপ্তুনা প্রসিদেন্ট জিনপিংনা হোস্পিটাল য়েংশিনখ্রে

***বৈজিং, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

চিনাদা শন্দোক্লকখিবা অনৌবা কোরোনাভইরস লাইচৎতা শিবা মীগী মশীং ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ১০১৬ য়ৌখ্রে। লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা হুবৈ প্রোভিন্সতা মীওই ১০৩ নৌনা শিখ্রে।

হুবৈগী হেল্‌ঠ কমিসননা লাইচৎ অসিগী মতাংদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা অনৌ–অনৌবা পাউ পীবদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা লাইচৎ অসি থোক্লকখিবা চিনাগী ময়াই থংবা প্রোভিন্স অসিদা মীওই ২০৯৭ অমুক্কসু নৌনা লাইনা অসিনা নারে হায়বা চপচানা খঙবা ঙমখ্রে।



গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা মশীংশিংগী য়ুমফমদা চিনাদা পুন্না হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিনা নারে হায়বা খঙবা মীওই ৪২,০০০হেনখ্রে।

চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা মাস্ক উপ্তুনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা বৈজিংদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা মেদিকেল ৱার্করশিং অমসুং অনাবশিংগা উন্নখি।

লাইচৎ অসি লাক্লিনবা হেন্না কনবা ৱারেপ অমসুং থবকশিং লৌখৎনবা প্রসিদেন্টনা আপিল তৌখি হায়না ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সি সি টিভিনা হায়খি।

ব্রুস এলিৱার্দনা লুচিংবা ৱাল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী ইন্টরনেসনেল এক্সপার্ট লুচিংবা অমা মাঙজৌননা ঙরাং নিংথৌকাবগী অথেংবদা চিনাদা থুংলখ্রে।

২০১৪–১৬দা ৱেষ্ট অফ্রিকাদা থোকখিবা এবোলা লাইচৎ অদুগী মতাংদসু ব্রুস এলিৱার্দনা ৱাল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী থবক অদু য়েংশিনখিবনি।

খূৎপু অসি থুংলদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ৱাল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী চীফ টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রিয়েসসনা চিনাদা চৎলুবগী ৱারী লৈতবা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংদা লাইচৎ অসি নাবগী নুংনাংনিঙাই ওইবা থৌদোক খরা লৈরে হায়না ৱার্নিং তৌখি।

চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং চাইনিজ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নবগীদমক জনুৱারি অথেঙবদা বৈজিংদা লাকখিবা টেদ্রোস ঘেব্রিয়েসসনা চিনাদা ইন্টরনেসনেল মিসন অমা থানবগী য়ানবা অমগা লোয়ননা হল্লকখি।

মীওই ১০দগী ১৫ ফাওবা ওইগনি হায়না টেদ্রোসনা হায়খিবা ইন্টরনেসনেল টিম অদুগী মতাংদা চিনাগী গভর্ণমেন্টতগী অয়াবা অদু ফংনবা হোৎনবদা চয়োল ২রোম মতম চংখি।

ৱাল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন চীফনা হৌজিক এন্টি–ভাইরস মাস্কশিংগী মালেমগী ওইবা অৱাৎপা লৈরে হায়না ৱার্নিং তৌরি। নুমিৎ খুদিংগী পাংথোকপা প্রেসতা পীবা পাউদম অমদা দব্লিয় ঐচ ওগী চীফ অসিনা–নোভেল কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা ঙাকথোক্লবা মাস্কশিং অমসুং অতৈ প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্ট মালেমগীওইনা ৱাৎশিল্লক্লে হায়না ৱার্নিং তৌখি।

ঙরাং ফ্রান্সতা অমসুং ঙসি য়ুনাইটেদ কিংদমদা চিনাদা চৎলুবগী ৱারী লৈতবা মীওইদগী কোরোনা ভাইরস লাইচৎ শন্দোক্লকপগী নুংনাংনিঙাই ওইবা থৌদোক খরা নুমিৎ খরনিসিদা ঐখোয়না উরে হায়না মহাক্না হায়খি।

অসিগুম্বা মওংদা শন্দোক্লকপগী মশীং খরখক অসি খঙবা ঙম্লকখিবা অসি অচৌবা মৈজাও অমা ওইরক্কদবা মৈরিক অদু ওইরবা য়াই। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি মসি সুপ্নগী মৈরিক অমা ওইনা লৈরি। ঐখোয়গী পান্দমদি লাক্লিনবা হায়বসিনি হায়খি।

---

# জাপানগী ক্রুজ জহাজ মথক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ানশিংগা পাউ ফাওনরি



***টোকিও, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

নোভেল কোরোনাভাইরসকী লাইওং লৈবা মীওই খরা য়াওবদগী জপানগী সমুদ্র খোঙবানদা কোরেনটাইন তৌরিবা মীওই ৩,৭১১ পুরিবা ক্রুজ সিপ অদুদা য়াওরিবা পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু মেম্বর য়াওনা ইন্দিয়ান ১৩৮ অদুগা পাউ ফাওনদুনা লৈরি হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মফম অসিদা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী অঙনবদা জপানগী সমুদ্র তোর্ব্বানদা মীওই ৩৭১১গা লোয়ননা থুংলখিবা ক্রুজ সিপ 'দাইমন্দ প্রিন্সেস' অদু হোংকোংদা হৌখিবা থাদা কুমথহৌখিবা পেসেঞ্জর অমা নোভেল ভাইরস অদুনা থেংনবদগী কোরেন্টোইন তৌখিবনি।

জহাজ অদুদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা মীওই ৬০ রোম ভাইরস অদুনা পোজিটিব ওইবদগী মসিগী মথক্তা লাইনা অসিনা নাবা মীগী মশীং ১৩০ শুখ্রে। জাপানগী সমুদ্র তোর্ব্বানদা জহাজ অদুদা থুংলখিবদা ওথোরিটিজনা মীওই ১০০ হান্না টেষ্ট তৌখ্রবনি।

ফিভম অসি চেক্লিনা মোনিটর তৌরি হায়না জহাজ অদুদগী মিসন অদুনা ইন্দিয়ানশিং লৌথোকহন্নবা করি থৌরাং লৈবগে হায়না হংবদা ইন্দিয়ান এম্বেসি ওফিসিয়েল অমনা পি টি আইদা হায়খি।

জহাজ অদুগী মথক্তা পুন্না ইন্দিয়ান নেসনেল ১৩৮ লৈরি। ইন্দিয়ান এম্বেসিগা মখোয়গা পাউ ফাওনরি। ইন্দিয়ানশিং অদু কোরোনাভাইরস নাদ্রি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

জহাজ অদুগী মথক্তা লৈরিবশিং অদু মাক্স উপনবা অমসুং ভাইরস অদু শন্দোকপা থিঙনবা অয়াম্বা মতমদা কেবিনশিংগী মনুংদা লৈনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা অহাংবা দেকশিংদা অকক্লবা মফম খক চৎপা য়াহল্লি হায়না মেদিয়াগী পাউশিংনা হায়রি।

অমরোমদা জহাজ অদুগী ওপরেটরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জহাজ মথক্তা অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দোক্লকখিবা অদুগী মরমনা পেসেঞ্জর ৬৬৬ লোয়নমক্তা টিকেটকী মমল হন্দোক্লবা ৱাশকখ্রে।

জহাজ অদুবু ওপরেট তৌরিবা প্রিন্সেস ক্রুজ লাইন্স লিমিটেদকী জপানিজ ব্রাঞ্চ ওইরিবা কারনিভাল জাপান ইঙ্কনা পেসেঞ্জরশিং অদুনা বুকিং তৌখিবা ট্রেভেল এজেন্সিশিংগী খূৎথাংদা রিফলশিং অদু তৌগনি হায়খি।

পেসেঞ্জরশিং অদুনা য়োকো হমাদা কুমথগদবদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী জহাজ অদুগী মথক্তা কোরেন্টাইন তৌবশিং অদুনা চংখিবা শেনফম পূন্নমক কম্পেনি অদুনা পুথোক্কনি হায়রি।

---

# কোরোনাভাইরস নাবা চিনা নুপী অঙাং পোকখ্রে, অঙাং অদু শোক্তে



***বুহান, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

চিনাগী সানঝি প্রোভিন্সতা নোভেল কোরোনাভাইরস ন্যুমোনিয়ানা নারবা নুপী অমা অঙাং পোকখ্রে, অদুবু অঙাং অদু লায়না অদুনা নাদে হায়না ওথোরিটিজ অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

জিয়াং জিয়াতোং য়ুনিভর্সিটিগী সেকেন্দ এফিলিয়েটেদ হোস্পিটালদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা মশাগী চহী ৩৩ শুরবী নুপী অদুনা অঙাং নুপীমচা অমা পোকখি।

নোভেল কোরোনাভাইরসকীদম চথবা অহানবা ন্যুক্লিক টেষ্টতা অঙাং অদু নেগেটিব ওইখি। দিজিজ কন্ট্রোল অমসুং প্রিভেন্সনগী প্রোভিন্সিএল সেন্টর অদুগী মতুং ইন্না অঙাং অদু ইন্টিন্সিব কিয়ারদা থন্নি অমসুং মথঙ নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অমুক্কা হন্না টেষ্ট তৌগনি হায়রি।

নুপী অমসুং অঙাং অদু মখা তাবা কিয়ার অমসুং লায়েঙগীদমক মথঙসিৎনা ফিবর ৱার্দ অমসুং ন্যুওনেটাল আইসোলেসন ৱার্দতা পুরক্কুনা থমখ্রে।

মমা–মচা অনীমক হৌজিক ফিভম অমত্তা শেক্তুনা লৈরি হায়না হোস্পিটাল অদুগী মেদিকেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর লিয়ু মিননা হায়খি।

দাইরেক্টর লিয়ুগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারি ৭তা নুপী অদু শানজিগী শাঙ্গালৌ সিটিগী সেন্ট্রেল হোস্পিটালদগী দেজিগনেটেদ হোস্পিটাল অসিদা অমুক পুরকখিবনি।

হোস্পিটাল অসিদদি মেদিকেল এক্সপার্টশিং য়াওবা খূৎপু অমনা লায়েংবগী থৌরাং কয়ামরুম চংখে অমসুং অঙাং অমসুং মহাক্কী মমা অদুগী শোয়দ–ঙামদনবগী থৌরাংশিং তৌই হায়রি।

---

# সিঙ্গাপোরদগী আল্পস ফাওদুনা য়ু কে ফাওবদা মীওই অমনা করম্না কোরোনাভাইরস শন্দোকখি?

***পেরিস, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

চিনাদা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী হৌরকফম অদুদা খোঙদারুবা তৌদবা বৃটিস মীওই অমনা য়ামদ্রবদা অতোপ্পা মীওই ১১দা লাইচৎ শন্দোরকপগী খোঙচৎ অমদা শন্দোকখ্রে। মদুনা তমথিরবা ভাইরস অদুনা গ্লোবেলাইজ ওইরবা মালেম অমগী অকোয়বদা করম্না থুনা শন্দোক্লকপগে হায়বদু উৎলে।

মীয়ামদা মমিং ফোঙদোক্তবা বৃটিস সিটিজন অদুনা সিঙ্গাপোরদা কনফরেন্স অমা য়াওরুবদগী ভাইরস অদু পল্লকখিবনি অমসুং মদুগী মতুংদগী ইরোই লোবদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা মহাক লাইনা অদু নারে হায়বগী দাগ্নোস তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ ফ্রেঞ্চ আপসতা হোলিদেদা লৈরিঙৈদা লৈমিন্নবা মীওই কয়ামরুমদা লাইনা অদু শন্দোকখি।

মীওই অসিনা শন্দোকখিদুনা ফ্রান্সতা মীওই ৫, বৃটেনদা ৫ অমসুং স্পেনিস ঈথৎ মালোরকাদা মীওই অমা লাইচৎ অসিনা নাখি।

মহাক্না অনৌবা কোরোনাভাইরস অদু অসুক থুনা অমসুং অসুক য়াম্না খেন–খেন্নবা মফমশিংদা করম্না শন্দোক্লিবনো হায়বসি ৱাহং অমনি।

মীওই অদুনা জনুৱারি ২০–২২দগী সিঙ্গাপোরদা ব্যুজিনেস কনফরেন্স অমা য়াওখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,০০০ হেন্ন শিহনখ্রবা লাইচৎ অদুগী হৌরকফম ময়োল ওইরিবা হুবৈ প্রোভিন্সতগী য়ামদ্রবদা মীওই অমা য়াওনা কনফরেন্স অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০রোম হেন্না শরুক য়াখি।

কনফরেন্স অদু য়াওরবগী মতুংদা মহাক্না অতোপ্পা বৃটিস সিটিজেন গ্রুপ অমগা লোয়ননা আল্পসকী কোন্টমিন্স–মোন্টজোই স্কি রিজোর্টতা জনুৱারি ২৪–২৮ ফাওবা নুমিৎ খরনি মতম লেন্নবা ফ্রান্সতা চংখি।

মহাক্না ইংলেন্দকী খা থংবদা হল্লক্লবা তুংদা লাইহৌ হৌরকপদগী ব্রাইটোন কৌবা খা নোংপোক থংবা টাউ অমগী মেদিকেল সেন্টর অমদা চংখি অমসুং মফম অদুদা মহাক টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস লৈবগী দাইগ্নোস তৌখি। মরম অদুনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোরোনাভাইরসনা নাবা মীওই ৪ থেংনখিবসি অঙকপা অমা নৎতে।

ফেব্রুৱারি ৬তা মহাক লন্দনগী সেন্ট থোমাসকী হোস্পিটালদা লৌনগনবা লাইনগী য়ুনিটতা থমখি। ফ্রান্সতা মহাক্না লৈমিন্নদুনা শন্নখিবা অতোপ্পা মীওই ৫ অদুসু বৃটিস হেল্‌ঠ ওথোরিটিজনা কোরোনাভাইরস নারে হায়বা খঙখ্রে।

ব্রাইটনগী মেদিকেল সেন্টর অদুগী ষ্টাফ মেম্বরশিংগী মনুংদগী অমসু ভাইরস অদু পোজেটিব ওইরে। অদুবু মদু ওফিসিয়েল ওইনদি লেপত্রি হায়না বি বি সি অমসুং স্কাই ন্যুজনা হায়রি।

---

# ফরুক অবদুল্লা ফাজিনবগী ৱাথোক লোক সভাদা পুখৎতুনা মহাক করম্বা মতমদা লাক্কনি হায়না মুলায়ম সিংহ যাদবনা হংখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***



সমাজৱাদি পার্টি লুচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হান্নগী জম্মু এন্দ কাশ্মির চীফ মিনিষ্টর অমসুং সিট্টিং এম পি ফরুক অবদুল্লাবু কষ্টদিদগী করম্বা মতমদা থাদোক্কদগে হায়বদু খঙহন্নবা গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে।

মুলায়ম সিংহ যাদবনা ঙসি লোক সভাদা ৱাহং–পাউখুম মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রিসননা মিষ্টর অবদুল্লা ফাদুনা থম্বগী ৱাথোক অদু পুখৎখি। ঐখোয়গী মরুপ ফরুক অবদুল্লানা ঐগা লোয়ননা হেক–হেক ফম্মিনবনি। মহাক হাউস অসিদা করম্বা মতমদা লাক্কনি হায়না মিষ্টর যাদবনা হংখি।

অদুম ওইনমক, লোক সভা স্পিকর ওম বিরলানা সামাজৱাদি পার্টি লুচিংবা অসিগী ৱাহং অদুগী পাউখুম পীনবা গভর্ণমেন্টতা হায়খিদে অমসুং এজেন্দাদা য়াওরিবা মথঙগী আইটেম অদু চখি।

কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অদু সেন্টরনা মুথলবা মতুং আগষ্ট ৫, ২০১৯দা হাউস এরেসতা ফাদুনা থমখিবা লুচিংবশিংগী মনুংদা ফারুক অবদুল্লানা অহানবনি। মশাগী চহী ৮২ শুরবা লুচিংবা অদুগী মথক্তা সেপ্টেম্বর থাদা তমথিনা কল্লবা পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ) পানশিনখি অমসুং মহাকপু হাউস এরেষ্টতা মখা তানা থমখি। কাশ্মির লুচিংবা ফরুক অবদুল্লানা লোক সাভাদা শ্রীনগরগী মহুৎ শিল্লি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিষ্টর অবদুল্লাগী মচানুপা ওমর অবদুল্লা, অমসুং অতোপ্পা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিসু আগষ্ট ৫, ২০১৯দগী হৌজিক ফাওবা ফাদুনা থম্লি। ওমর অমসুং মেহাবুবা অনীমক হৌখিবা চয়োলদগী পব্লিক সেফটি এক্ট পানশিনখ্রে।

---

# মুজাফরপুর সেল্টর হোমদা থম্বা নুপীমচাশিংবু পাক্তক্লনা রেপ তৌখিবগী কেসতা ব্রজেস ঠাকুর মপুন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

কনা লৈজদ্রবা শোখরবা নুপীমচাশিংগী চংজফম ওইনবা লিংখৎপা বিহারগী মুজাফরপুর সেল্টর হোম চল্লাইরিবা মপু ব্রজেস ঠাকুরবু মফম অদুদা থা কয়ামরুম নুপীমচাশিং অদুবু সেক্সুয়েলি অমসুং ফিজিকেলি নাতৈ চাদবা থবক চথরকখিবগীদমক মপুন্সি চুপ্পগী জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে।

কেস অসি চেন্নবা অতোপ্পা মীওই ১১সু মহাক্কা চপ মান্ননা মপুন্সি চুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি পি টি আইনা হায়খি।

তমথিরবা মীওইবনা নৎনহৈদ্রবা ক্রাইম অদু টাটা ইনষ্টিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্সেস (টি আই এস এস) টিম অমনা সেল্টর হোম অদুদা সোসিয়েল ওদিট চথবদা হোম অদুদা লৈরিবা নুপীমচাশিং অদুনা মখোয়বু মীওই কয়ানা সেরান–তুরাননা সেক্সকী ওইবা মওংদা শিজিন্নৈ হায়বা ফোঙদোকপগী রিপোর্ট অদু ২০১৮দা বিহার গভর্ণমেন্টতা থাগৎখি। রিপোর্ট অদু ২০১৮দগী লৈবাক মীয়াম হুপ্পা খঙনরকখি অমসুং লৈবাক পুম্নবু শাওহনখি।

গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা নুপীমচাশিংবু চংজফম পীবা মফম অদুদা নুপীমচাশিং অদুবু ঙাকপী–শেনবিবা অমসুং মখোয়গী পুন্সি অদু ফগৎহন্নবগী হোৎনবগী মহুৎতা নহা ওইরিবা নুপীমচাশিংবু মথোঙ চাদবা ঈশৈশিংগী তান্থাদা নমদুনা জগোই শাহনবা অমসুং ময়াই কাবা দ্রগ পীজবা অমসুং রেপ তৌবগী থৌদোকশিং চখখি।

লৈবাক খুন্নাইগী ময়োক্তা লৈবা অরোনবা অচৌবা থৌদোক অসিদা পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং সেনিয়ার ওফিসার কয়ামরুমগা মরী লৈনরম্বা কয়াসু পুথোরকখি।

কেস অসি লৈবাক ৱাথোক ওইরকপদগী অমসুং ৱাথোক অদুদা খ্বাইদগী মরুওইনা চেন্নরিবসি সেল্টর হোম অদুবু চল্লাইরিবা ব্রজেস ঠাকুর হায়রিবা অদু সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর মঞ্জু বর্মাগী মপুরোইবা অদুনি হায়না কেস অসিদা চেন্নবদগী বিহারগী লৈঙাক পায়রিবা জনতা দল য়ুনাইটেদকী মেম্বর অমসুং সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর ওইরিবী মঞ্জু বর্মা মিনিষ্টর ফমদগী রিজাই তৌখি।

প্রিভেনসন ওফ চিল্ড্রেন ফ্রোম সেকস্যুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট কী মখাদা শাথিরবা সেক্সকী থবক তৌবগীদমক ব্রজেস ঠাকুরবু হৌখিবা থাদা কনভিক্সন পীখি। মসিগী মথক্তা কেস অসিদা মরান শীরিবা বিহার পিপলস পার্টিগী হান্নগী এম এল এ য়াওনা নুপা ১২, নুপী ৮বু অঙাং ওইরিবা নুপীমচাশিং অদুদা রেপ অমসুং পেনিট্রেটিব সেক্সুয়েল এসোল্ট চথনবগী ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি তৌবা য়াওনা মীওই ২০গী মথক্তা মরান কয়ামুক ফংখি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না থা অসিদা হান্না মরুওইবা কনভিকশিং–ব্রজেস ঠাকুর, দিলিব কুমার বর্মা, রবি রোসন, বিকাস কুমার, বিজয় কুমার তিৱারিবু পূন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীনবগী তকশিনখি।

ওন্থোক্লা তমথিরবা থৌদোক অসিগী কেস অসি ঈ–পাউগী মকোক্তা ফোঙনরকখিবদগী বিহার গভর্ণমেন্টনা হায়রিবা সেল্টর হোমদা থম্লিবা নুপীমচাশিং অদুবু অতোপ্পা প্রোটেক্সন হোমশিংদা হোংদোক্লগা থমখি অমসুং মে ৩১, ২০১৮দা মরান শীরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা এফ আই আর অমা পানখি।

সুপ্রিম কোর্টনসু ৱাথোক অদু আগষ্ট থাদা থবক মখা চথবা য়াবা কেসনি হায়না লৌশিন্দুনা নবেম্বর ২৮দা সি বি আইদা থিজিন্নবগী থবক শিন্নখিবনি।

---

# সুইসাইদ এটেকতা কাবুলদা ৬ শিখ্রে

***কাবুল, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

অফগানিষ্টানগী কাবুলদা লৈবা মিলিটরি একাদেমি অমদা পান্দম থমদুনা চথরকপা সুইসাইদ বোম্বর অমগী এটেকতা ঙসি মীচম ২ অমসুং মিলিটরি পার্সোন্নেল ৪ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

এটেক অদু চথবনি হায়বা কনামত্তনা ফোঙদোক্লক্ত্রি অদুবু অফগান ফোর্সশিংদা পান্দম থমদুনা সিটি অসিদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপতগী মিলিটেন্টশিং অমসুং টালিবান অনীমক্না চাং নাইনা এটেক তৌরক্লি।

সুইসাইদ বোম এটেক অদুদা মীওই ৬ শিখিবা অদুদা নত্তনা মীচম ৫ য়াওনা অতোপ্পা মীওই ১২ অমগসু শোকখি। নোংচুপ থংবা কাবুলগী মফম অমদা লৈবা মর্সেল ফাহিম মিলিটরি একাদেমিগী চংফম মনাক্তা লৈবা পুলিস চেকপোইন্ট অমদা এটেক অদু চথরকখিবনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙংলোই নশ্রাট রাহিমিনা হায়খি।

মমাঙগী মতমদসু মিলিটরি একাদেমি অসিদা এটেক তৌরকখ্রে। অফগানিষ্টান অমসুং ইরাককী লানশিংদা খ্বাইদগী ফম ৱাংবা যু এস মিলিটরি ওফিসার হাৎপগী থৌদোক ওইনা যু এস আর্মি মেজর জেনরেল হেরোল্ড জে গ্রিনে শিখিবা মফম অদুসু একাদেমি অসিদনি। মতম অদুদা অফগানিষ্টানদা নেটোগী ট্রান্সিসন ফোর্সকী দিপুটি কম্মান্দর গ্রিনেবু অফগান লান্মী অমনা কাপ্লগা হাৎখিবনি। মদু আগষ্ট ২০১৪তা কোন্না টালিবাননি ফোঙদোক্লকখি।

---

# হি লুপ্পদা রোহিঙ্গা রিফ্যুজি ১৪ শিখ্রে

***কোক্স বজার, ফেব্রুৱরি ১১(এজেন্সি)ঃ***

রোহিঙ্গা রিফ্যুজিশিং পুবা হি অমা খা থংবা বংলাদেশকী সমুদ্র তোর্ব্বান মনাক্তা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লুপ্পদা য়ামদ্রবদা রিফ্যুজি ১৪ শিখ্রে অমসুং ৭০ কলহৌরে হায়না ওফিসিয়েলিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কোষ্ট গার্দ কম্মাদর নায়ীম উল হকনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা মখোয়না হকচাং ১৪ লৌখৎলে অমসুং মীওই ৭০ কল্লে হায়খি। নেভি অমসুং কোষ্ট গার্দকী হিশিংনা বো ওফ বেঙ্গলদা লৈবা সেন্ট মার্টিন্স ঈথৎ মনাক্তা হৌজিকসু থিবগী থবক চথরি হায়খি।

২০১৭দা ম্যান্মারদা মিলিটরি ওপরেসন অমদগী লাঞ্জেনরকখিবা রোহিঙ্গা ৭০০,০০০ হেনবদগী মনুংদগী কয়া অমদি মালেসিয়া তন্না চৎপা হিশিংদা তোংলগা বংলাদেসকী রিফ্যুজি কেম্পশিং থাদোক্লক্লবা হোৎনরি।

---

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-385**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 6 | | | 5 | 7 | |
| 6 | | | 5 | | | | 8 | 9 |
| 1 | 5 | 8 | | | 7 | | | |
| | 1 | 4 | | | 2 | 7 | | |
| | | 7 | 9 | 6 | | | | 8 |
| | 6 | | 7 | 8 | | | | 1 |
| 5 | | | | | | 8 | 6 | |
| 7 | | | | | 6 | | | 5 |
| | 8 | | | 7 | | 9 | | |

---

## GAS TODAY

**Mahalaxmi Indane**
Booking : 23/12/19
Valid :12/12/19
Sl. No. : 287183
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Booking : 09/01/20
Valid :21/12/19
Sl. No. : 657
Stk : 234 / 19kg -48
Time : From 08.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 18/12/19
Valid : 12/12/19
Stk : 306
Time :07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**J Rongmei Indane**
Booking : 10/11/19
Valid : 08/11/19
Stk : 306
Time :06.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 07/12/19
Sl. No. : 4977
Valid : 05/12/19
Sl. No. : 4151
Stk : 306
Time :07.00 to 11.00 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 27/11/19
Valid : 17/11/19
Stk : 612
Time :08.00 to 11.00 a.m.

---

**সনা–সুদোকু–৩৮৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 1 | 3 | 5 | 9 | 4 | 7 | 2 |
| 9 | 5 | 2 | 1 | 7 | 4 | 3 | 6 | 8 |
| 4 | 3 | 7 | 6 | 2 | 8 | 1 | 9 | 5 |
| 3 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 | 5 | 8 | 7 |
| 7 | 4 | 5 | 9 | 8 | 6 | 2 | 1 | 3 |
| 2 | 1 | 8 | 7 | 3 | 5 | 9 | 4 | 6 |
| 1 | 7 | 9 | 5 | 6 | 2 | 8 | 3 | 4 |
| 6 | 2 | 4 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 5 | 8 | 3 | 4 | 9 | 7 | 6 | 2 | 1 |